# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 29-06-2025)

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-হকশেলদগী সোসিএল সেক্যুরিতিগী লম ফাওবদা লৈবাক অসি থবক খুদিংমক্তা মাংলোমদা চংশিল্লি।

মহাকা হায়-লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংনা সোসিএল প্রোটেক্সনগী খুদোংচাবা নৎত্রগা অতোপ্পা অমগী কান্নবশিং লৌরি। অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মন-কি-বাট থৌরমদা মহাক্কী পুকিংগী ৱা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-সোসিএল সেক্যুরিতি হায়বসিগী মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউনা কোনশিন্দুনা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ৯৫ লোম সোসিএল সেক্যুরিতি স্কিমশিংগী কান্নবা লৌরি। মহাকা হায়-সরকারগী স্কিমশিং ইং ২০১৫ ফাওবদা লৈবাক অসিগী মীওই কোতি ২৫ য়ৌনা ফংল্লমদে। ডব্লিয়ু.ঐচ.ওনা ভারতপু ত্রাকোমা লৈতবা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোকখিবা অদুগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-থৌরাং অসি লৈবাক অসিগী মীওই লাখ কয়ামরুমগী হোৎনজমন্নি।

**এমপিএ (এল)ঃ** মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সনা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, হকশেল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দা, আর.এস.এসকী মকোক-মোহোন ভগৱদনচিংবা লুচিংবশিংদা মেমোরেন্দম পীশিনদুনা মনিপুরদা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লকবা তকশিনখ্রে।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সহেব থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মনিপুর দেমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী কনভেন্নর-এম. তোম্বীনা হায়-লাঞ্জেন্নদুনা চহি অনি হেন্না লৈরক্লবা মীওইশিং হৌজিকসু খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োকরি। রাজ্য অসিদা চহি অনিরোম কোবিদকী চৈথেং

ফংলবা মতুং চহি অনি মখায়রোম কাংলুপকী ইরাংনা অৰাবা নংহল্লে। মসিগী মথক্তা রাস্ত্রপতি সাসন অমসুং ঈশিং ঈচাওনা রাজ্য অসিগী মীয়াম খম থেংনা ৱারে। হায়রিবশিং অসিগী মরক্তা কনাগুম্বা খরনা মীখল তৌনবা দাবী তৌরিবা অসি লাইবক থিবনি।

শ্রী ৎ তাম্বীনা হায়-মনিপুরগী মীয়ামনা অৰাবশিং অসি কোকনবা অমত্তা ঙায়রবা উপায়দি, ইশানা খঞ্জখিবা মীহুৎশিংনা শেম্বা সরকার অমা লৈহনবা হায়বসিনি। মসিদা অমনা অমবু হুন্নদুনা মীয়ামবু হেন্না অৰাবা তাহল্লোইদবনি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** চহি খুদিংগী জ়লাইগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোকপা বন্দ মহোতসপ পালন থৌরমগা মরী লৈননা কৈবুল লমজাউ নেসনেল পার্ক ময়াদা লৈবা খোংজাইঙম্বা চীং ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরিদা উ থাবগী থৌরম অমা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পাঙথোক্কদৌরি।

ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি অসিবু পুংশঙ শঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা উ চারাশিং থাবগী থৌরম অসিদা মহৈরোইশিং, ভোলুন্টিয়ারশিং, পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং অমদি ফোরেষ্ট বিভাগকী মীওইশিং শরুক য়াগনি। মফম অসিদা মহৌশাদগী লমদম অসিদা লৈরক্লবা উ চারাশিং থাগনি।

**শওম (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অংশিম দাংস্বানা কল্লকখিবা হিমালয়ন ব্লেক বিয়ার (শওম) মচা অনি দি.এফ.ও. তমেংলোং-খরিবম হিটলর সিংহ অমসুং আর.এফ.ও. তমেংলোং-জোয়েল গাংমৈদা শিন্নরক্লবা মতুং মনিপুর জ়লোজিকেল গার্দেনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

হিমালয়ন ব্লেক বিয়ার অসি ৱাইল্ড লাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২ গী মতুং ইন্না সেদ্যুল ৱানদা চল্লি।

**এরেষ্ট(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী শঞ্জেনবমদা চথখিবা

ওপরেসন অমদা কে.সি.পিগী মীওই অমা ফারে। ঙসি নুংথিল শঞ্জেনবম কৈথেলগী অকোইবদা থিবা হুন্বগী থবক চঞ্ছবদা কে.সি.পি. (নোয়োন-এম.এফ.এল) গী মীওই অদু ফাবা ঙমখিবনি।

ফারবা মীওই অদু মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা কোবিদ নাইন্তিনগী এক্তিব কেস খরা হন্থরক্তুনা হৌজিক ৯৮ খক্তা ঙায়রে।

হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ৫০ টেষ্ট তৌবদা মীওই ১৩ নৌনা কোবিদ পোজিটিব ওইবা থেংনখি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী মীওই ১০, বিষ্ণুপুরদগী অনি অমসুং ইম্ফাল ইষ্টতগী অমনি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক ফাওবদা পোজিটিব ওইবা অপুনবা মীশিং ২৪৩ শুরে। হোম আইসোলেসনদা মীওই ৮৯ লৈরি। হৌখিবা পুং ২৪ দা মীওই ২৯ নাবা ফখি।

**ওবিৎ(এল)ঃ** শকাইরবী মনিপুরি ক্লাসিকেল দান্সর অমসুং পদ্মশ্রী কুমারি সুরজামুখি দেবী ঙসি লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮৯ শুখ্রে।

শুরজামুখিনা রিছার্স সেন্টর ফোর মনিপুরি পার্ফোমিং আর্টস লিংখৎতুনা রাজ্য অসিগী নহাশিংবু ক্লাসিকেল মনিপুরি সোলো দান্সতা তাকপী তন্বীরম্মী। মহাকা মনিপুরি ক্লাসিকেল জগোইগীদমক কৎথোক্লম্বা অসিগী য়েংলগা ইং ২০০৩ দা সঙ্গিৎ নাটক একাডমী এৱার্ড খুৎশিন্নখি। ইং ১৯৮৫ তা মনিপুর ষ্টেট কালা একাডমী, ইং ২০১৫ দা মনিপুর সাহিত্য পরিষদনা ন্রিত্যা রতা (ক্লাসিকেল) অমসুং ইং ২০০৯ দা গুরু তরুনকুমার সমান পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মহাকা মনিপুরি ক্লাসিকেল দান্সতা লৌরম্বা থৌদাংবু শকখঙদুনা পদ্মশ্রী

পীদুনা ইকায় খুমখি।

**জগোই (এল)ঃ** গুরু অমুবী লৈখিদবগী কুমওন থৌরম জগোই মরুপনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোঙনাংখোঙদা লৈবা জগোই মরুপকী গোর্ল্ড ষ্টেজতা পাঙথোকখ্রে। মনিপুরি জগোই মরুপ লিংখৎলম্বদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা মৈস্নাম অমুবীগী ৪৩ শুবা লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা জে.এন. মনিপুর দান্স একাডমীগী দাইরেক্তর-পি. বিলাস সিংহ অতৈ মীওহ কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা গুরু অসিনা কমপোজ তৌরম্বা গুরু বন্দানা অমসুং কথক জগোই উৎখি।

**মনা (এল)ঃ** গ্যান রতা সাহিত্য একাডমীগী ৮ শুবা চহিগী মীফম ঙসি মনিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাহেংবম জনমেঞ্জোয় মীতৈদা সমাজ সেভক নেসনেল-২০২৪ খুৎশিন্নখি। খুন্নাই অসিদা শোত্থনা লৈরিবা মীওইশিং য়াইফনবা কৎথোকপগা লোয়ননা মহাকা তৌখিবা থবকশিংবু শকখঙবা ওইনা একাডমী অসিনা ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা ৱাহেংবম জনমেঞ্জোয়দা সমাজ সেভক মনা অসি খুৎশিন্নখিবনি।

**বিষ্ণুপুর (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী চীংখোঙশিংদা লৈবা মীতৈগী লৌফমশিং লৌ উবা য়াদবগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ঙসি মোইরাং কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ঙাংখর-লৱাইগী ইবুধৌ থাংজিং লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

থিনুংঙৈদগী ফৌগাকচাউ ইখাই ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা লৌমীশিংগী অৱাবা কয়া উদুনা ঙাংখা-লৱাইদা লৈরিবা ক্লব ওর্গনাইজেসন, মৈরা পায়বী অমদি লৌমীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা অথুবা মতমদা

মনিপুরগী ইরাংগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কুনা শান্তি হনজিলহনবগা লোয়ননা ইশা ইশাগী লৌফমদা চংদুনা লৌ উহন্নবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাদা হৌজিক লৈরিবা এসিষ্টন্টে সর্ভে অমসুং সেটলমেন্ট ওফিসার অসি ফুল ফ্লেজেদ ওইদবা মরমনা জিলা অসিগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে হায়রি।

ঙসি খাঙবোক কৈথেলদা লৈবা অনৌবা শঙলেনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা খাঙবোক অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী জোইন্ট সেক্রেটরি-থোকচোম মোহিনিনা হায়-থৌবাল জিলাগী এসিষ্টেন্ট সর্ভে অমসুং সেটলমেন্ট ওফিসার অসি মতম শাংনা লমফেলদা ফমখিবদগী জিলা অসিগী মীয়ামনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। মসিনা মরম ওইরগা মীয়ামনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং তান্নবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে।

**এৱার্ড (এল)ঃ** একাডমীক ইনসেন্টিব এৱার্ড কমিতি-ময়াং ইম্ফালনা শিনদুনা ২৭ শুবা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকাইদা লৈবা খুমন মল্টি পরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ. কোংখাম রোবিন্দ্রোনা বোর্ডনা লৌবা ঐচ.এস.এল.সি অমসুং কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনা ফংল্লকখ্রবা মহৈরোই ১৩০ রোমদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** অনাল ফ্যুচর ফিল্ম-'কেনখোল' হায়বদি ঐগী ইমুং হায়বা ফিল্ম অসিনা ইন্টরনেসনেল সিলভর স্ক্রিন ফিল্ম এৱার্ড ফংলে। মনা অদু ন্যু দিল্লিদা ঙরাং য়েন্থোকখিবনি।

পিয়রসন অনাললনা দিরেক্সন পীবা কনখুল ফিল্ম এন্দ ইন্টরটেনমেন্ট সোসাইতি-চান্দেলনা প্রদ্যুসর ওইবা ফিল্ম অসি ভেষ্ট ফ্যুচর ফিল্ম ওন সোসিএল

মেসেজকী লেমজনিংঙাই ওইবা মনা অদু পীরকখিবনি।

**ফিল্ম (এল)ঃ** ওল মনিপুর ফিল্ম মেকরস এন্দ প্রদ্যুসর এসোসিয়েসনগী মীফম অমা ঙসি কোনুং মমাং ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্টনা-আর.কে. চন্দ্রকুমারনা ওইরে, জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেমজিৎ নাউরোইবমনা ওইরে হায়রি।

**কম্পিটিসনঃ** ককচিং য়ুথ এল্লাইয়েন্সনা শিনদুনা লাইব্রেরী এন্দ ইনর্ফোমেসন সেন্টর, ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা অহানবা জিলা থাক্কী কুইজ কম্পিটিসন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

চাংদমবা অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংদগী লাকপা টিম ২২ না শরুক য়াখি। চাংদমবা অদুদা পদ্মা রতা ইংলিস স্কুলনা অহানবা, কৈরক প্রাইমারি স্কুলনা অনিশুবা অমসুং পদ্মা রতা ইংলিস স্কুলনা অহুমশুবা তাখি।

**ককচিংঃ** ককচিংদগী ইরেংবন্দ লম্বী ফাওরগা তেকচম ফাওবগী লম্বীগী ফিভম অশুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়রি।

লম্বী ফত্তবা অদু মফম অদুগী মীয়ামনা শেমজিনবা হৌখ্রে। ওল ককচিং ক্লবস কোওর্দিনেটিং কমিতিগী সেক্রেটরিনা হায়-ককচিং খুনয়াই লৈকাই দাম মপাদগী ইরেংবন্দ ফাওবগী লম্বী অসি চহি কয়াগী মমাংদগী শেম্বীদনা লাকখিবনি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** মিনিষ্ট্রি ওফ সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইমপৱারমেন্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ ইমপৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতি (দিবিয়াংজন) গভরমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা ষ্টেট কম্মিস্নার ফোর পার্সন্স ৱিট দিসএবিলিতি মনিপুরনা ইং ২০২৫ গী ওইনা নেসনেল এৱার্ড ফোর দা ইমপৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিট

দিসএবিলিতিগী ওন লাইন এপ্লিকেসন থাজিল্লকবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি.আই.পি.আর) গী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়-নোমিনেসনশিং ৱেব পোরটেল-ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু.ডব্লিয়ু. দোট এৱার্দস দোট গোভ দোট ইনদা ওন লাইনগী খুথাংদা মথং থাগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকবা খঙহল্লক্লি।

**তেংবাং (এল)ঃ** এম.এস. ক্যু. মনিপুর টিমনা ঙসি কোংপাল কোংখাম লৈকাইদা লৈবা উরা লৈমগী শঙলেনদা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাওদা অৱাবা মায়োক খিবা এম.এস.ক্যুগী থবক তৌরিবা শিন্মীশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নখি।

**কাডা (এল)ঃ** কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না নিশাগী মায়োক্তা চথরকপা কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি শগোলবন্দ শাদোকপম লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাংখি।

**স্তামপেদঃ** উরিষ্যাদা ঙসি অয়ুক লাই খুরুম্বা লাকপশিং নেৎশিন্নবদগী লৈখিদ্রবশিংদা রাজ্য সরকারনা লুপা লাখ ২৫-২৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

পুরিগী সরাধাবলিদা লৈবা শ্রী গুনদিজা মন্দির ময়াদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা নুপী অনি য়াওনা ভক্তা অহুম শিখি, কয়া অমনা অশোক অপন নংখি। ভগবান জগনাথ, বালাভদ্রা অমসুং দেবী সুভাদ্রগী দর্শন ফংহৌনবা য়াল্লবা মীয়ামনা হুপচিল্লকপদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অশোকপশিং মনাক নকপা

হোস্পিতালদা পুদুনা লায়কন্নখি। মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন চরন মাজিনা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা ভগবান জগনাথকী ভক্তা কয়ামরুমদা থোকহনখিবা থৌদোক অদু ঙাকপীগনি হায়জখি।

মরক অসিদা, উরিষ্যা সরকারনা পুরিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং এস.পি. ত্রান্সফর তৌখিবগা লোয়ননা থিজিন্নবা পাউতাক পীখ্রে।

**মোনশুন ঃ** কুমগী নোং মহৌশাগী মতমদগী নুমিৎ ৯ নি ঙনখৎনা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং চুরে।

অকাশবানিগা ৱারী শান্নবদা ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-এম. মোহাপত্রানা হায়-খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোংনা লৈবাক শিনবা থুংবদা নোং চুরে। মসি হান্নদি জলাই ৮ দা য়ৌরক্কনি হায়না পান্নরম্বনি। মহাকা হায়-কুমগী নোং লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা য়ৌরক্তুনা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি হায়রি।

ডাষ মোহাপত্রানা হায়-কুমগী নোং নীংথিজনা লাকপা মরমনা ময়াই থংবা ভারতকী শরুক্তা নোং মরাং কায়না চুরগনি। মহাকা হায়-ময়াই থংবা ভারত অমসুং অৱাং নোংচুপ ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

হিমাচল প্রদেসতা নোং কন্না চুবদগী নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৭ শিখ্রে। লুপা কোতি কয়ামরুমগী লন-থুম মাঙ তাক্লে হায়রি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-রাজ্য অদুদা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেল অমদি খোঙশিংগী ঈশিংগী ইমায় খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা চেল্লে। চিং নিংখায়বনা মরম ওইদুনা লম্বী ৩৭ ফাওনদ্রে।

অমরোমদা, উত্তরাখন্দগী উত্তরখসি জিলাদা ঙসি অয়ুক নোং কন্না চুবদগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থরিবা মফম অমদা থবক শুরিবা শিন্মী ৯ হৌজিক

ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরি। নোং কা হেন্না চুবদগী চারধম যাত্রা পুং ২৪ গী ওইনা অথিংবা থমখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** লমলোং থোংখোঙ আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৫ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফ্‌টবোল লিগ ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা-এফ.সি. ইম্ফালনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-দা য়ঙ ৱেলফিয়ার ক্লবনা ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিসুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসননা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-এফ.সি. রেংদাইনা রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ন (রাও) বু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** থাউ থাংমৈবন্দ অমসুং অক্সদো-খাগেমপলি অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱিমেন্স টি-টৌইন্তি ত্রোফি-২০২৪-২৫ গী জোইন্ট ৱিন্নর ওইরে।

টুর্নামেন্ট অসিদা অক্সদোগী থোকচোম লাংলেন চনুনা খ্বাইদগী ৱিকেট মশিং য়ামা লৌবা শান্নরোই ওইখি। প্লেয়ার ওফ সেরিজনা সেদোগী কাবিতা দেবী সাপমনা তারে।